**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 15-01-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা ঙসি এল্লায়েন্স ইয়ারগী অহেনবা ফ্লাইট সার্ভিস হৌদোকখ্রে।

এরোপ্লেন টিকেৎকী মমল য়েংশিনবীনবা মীহুৎ কাংবু অমা শেম্বীনবা মুখ্য মন্ত্রিনা সিভিল এভিএসন মন্ত্রালয়দা তকশিনখ্রে।

২) ৩৬ শুবা নেসনেল রোড সেফতি মন্থ ২০২৫ মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা পাঙথোকরি।

৩) সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনা ঙসি বিষ্ণুপুর জিলাগী লৈমারাম উয়োক চীং অমসুং আইগেজাংদগী খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎলে।

৪) বি.জে.পিনা হায়রি- মণিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসি তোঙান তোঙানবা মরম কয়ামরুম পুনশিল্লগা থোক্লকখিবনি।

অমসুং

৫) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- ভারত অসি পাক চাউবা লৈবাক অমা ওইবতা নত্তনা পাক চাউরবা কলা সংস্কৃতি লৈবা লমদম অমনি।

------

সিএম (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা ঙসি এল্লায়েন্স ইয়ারগী অহেনবা ফ্লাইট সার্ভিস হৌদোকখ্রে। ভাইএবিলিতি গেপ ফন্দিংগী মখাদা ইম্ফাল-গুৱাহাতি-ইম্ফাল, ইম্ফাল-কোলকাতা-ইম্ফাল, ইম্ফাল-দিমাপুর-ইম্ফালগী

ফ্লাইট সার্ভিস ঙসি ইম্ফাল ইন্তরনেসনেল এয়ারপোর্টকী কনফরেন্স হোলদা হৌদোকখি। হৌদোকপগী থৌরম অদুদা কেন্দ্রগী সিভিল এভিএসন মন্ত্রি শ্রী কিনজরাপু রাম মোহন নাইদু ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা কেন্দ্রগী সিভিল এভিএসন মন্ত্রি কিনজরাপুনা হায়- অনৌবা ফ্লাইটশিং হৌদোকপা অসিনা রাজ্য অসি লৈবাক অসিগী অতৈ মফমশিংগা হেন্না নকশিনহল্লগনি। মহাকা হায়- অনৌবা লম্বী অসিনা লল্লোন ঈতিক, চৎথোক চৎশিন অমসুং তুরিজমগী লমদা খুদোংচাবা পীবতা নত্তনা থবক পীবা অমসুং শেনমিৎলোন ফগৎহনবতা নত্তনা রাজ্য অসিগী মীয়ামদা শক্তি পীবদা হেন্না খুদোংচাহল্লগনি।

থৌরম অদুদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমসুং সিভিল এভিএসন মন্ত্রিবু থাগৎপা ফোংদোকখি। শ্রী বিরেন্না হায়- মণিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসিনা মরম ওইদুনা রাজ্য অসি হৌজিক অরুবা ফিভম অমদা লৈরি অমদি লমদম অসিগী মীয়াম হাইৱেশিংদা চৎথোক চৎশিন তৌবদা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োকরি। মহাকা হায়- রাজ্য অসিগী মীওই লাখ কয়ামরুম এরোপ্লেন তোংদুনা চৎলি। অদুবু এরোপ্লেনগী ভারা য়ামা ৱাংবা মরমা মীচম মীয়ামদা চাউনা খুদোংচাদবা পীরি। এরোপ্লেন টিকেৎকী মমল য়েংশিনবীনবা মীহুৎ কাংবু অমা শেম্বীনবা মুখ্য মন্ত্রিনা সিভিল এভিএসন মন্ত্রালয়দা পুকিং চিংশিনখি। মহাকা হায়- ইম্ফালগা কোলকাতা, নিউ দিল্লি অমসুং বেঙ্গলোর য়াওনা ভারতকী মরুওইবা সহরশিংগা শমগদবা এরোপ্লেন মশিং হেনগৎহন্নবসু হায়জখি।

থৌরম অদুদা ত্রান্সপোর্ট মন্ত্রি খাসিম ভাসুম, ৱার্ক্স মন্ত্রি গোবিনদাস কোন্থৌজম, ৱাটর রিছোর্সেস মন্ত্রি অৱাংবৌ নিউমাই, কঞ্জুমর এফ্যারস মন্ত্রি এল. শুশিলদ্রো, শিক্ষা মন্ত্রি টি.ঐচ. বসন্তকুমার, এম.এল.এশিং অমসুং চীফ সেক্রেটরি শরুক য়াখি।

রাজ্যপাল (এল)ঃ মণিপুরগী রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমু অমসুং উপ-রাষ্ট্রপতি জগদিপ ধনখরগা উন্নখ্রে। রাজ্যপালনা রাষ্ট্রপতি

ভবনদা চত্তুনা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুগা ঙসি উন্নখি অমসুং উপ-রাষ্ট্রপতিগী য়ুমদা উপ-রাষ্ট্রপতি জগদিপ ধনখরগা উন্নখি।

বিরেন (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা হায়রি- তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদা মীয়ামগী নুমিৎ পাঙথোক্তুনা মখোয়গী ৱাকৎশিং সরকারনা তাবা অমদি তোঙান তোঙানবা য়াইফ থৌরাংগী স্কিমশিং ফংহন্নবা হোৎনরি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লাঙ্গোলদা লৈবা পি.দি.এ হাউসিং কমপ্লেক্স রিলিফ কেম্প, অল্টরনেতিভ হাউসিং কমপ্লেক্স রিলিফ কেম্প অমসুং রিসেন্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পশিংদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না শিন্দুনা মীয়ামগী নুমিৎ পাঙথোকপদা মখ্য মন্ত্রিনা থাগৎপা ফোংদোরক্লি। থৌরম অসি পাঙথোকপনা মফম অদুগী মীয়াম অমদি লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা মীওইশিংদা চাউনা মতেং ওইরগনি।

বিরেন-১ (এল)ঃ মণিপুরগী লাই হরাউববু য়ুনেস্কোগী ইন্টেজিবল কলচরেল হেরিতেজ ওফ হ্যুমেনিতিগী লিষ্টতা চন্নবগীদমক সঙ্গিৎ একাদমি নিউ দিল্লিদা রিকমেন্দ তৌবীনবগী মতাংদা দরকার ওইবশিং অমসুং সিনোপসিস শেমনবা কমিতিদা খঙহনখ্রে।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- কমিতি অসিনা লৌরিবা থৌদাং থাগৎনিঙাইনি অমদি মহৌশাদগী লৈরক্লবা চৎন কাংলোনশিং ঙাক্তুনা থমবা ঐখোয় পুন্না হোৎনমিন্নবা অমদি তুংগী মীরোলদা খঙহন্নবগীদমক লাই হরাউবগী থৌরমশিং য়োকখৎতুনা থম্বগী তঙাইফদবা লৈ।

রোড (এল)ঃ ৩৬ শুবা নেসনেল রোড সেফতি মন্থ ২০২৫ বিষ্ণুপুর জিলাগী ওইনা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার লৌরেম্বম বিক্রমনা ঙসি হৌদোকখ্রে। প্রভা হায়বা থিমদা থৌরম অদু জিলা অসিগী মিনি সেক্রেটরিয়েট কমপ্লেক্সতা হৌদোকখিবনি।

থৌরম অদু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না জিলা অসিগী দিষ্ট্রিক্ট ট্রান্সপোর্ট ওফিস, এস.পি. ওফিস, জোনেল ইদুকেসন ওফিস অমসুং চিফ মেদিকেল ওফিস বিষ্ণুপুরগা খুৎশমদুনা শিনবনি। থা অমা চুপা চথুগদবা থৌরম অসিদা রোড সেফতি ইনফোর্সমেন্ট দ্রাইভ, স্কুল রোড সেফতি এৱারনেস কেম্পেন, ক্বিজ, লাইয়েকপা চাংদমবা, মীয়াম তিনবা মফমশিংদা পাব্লিক এৱারনেস পাঙথোকপা, পোষ্টর কেম্পেন অমদি হিট এন্দ রন মোটোর কম্পেন্সেসন স্কিমগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা থৌরম কয়া পাঙথোক্লনি।

অমরোমদা, চুরাচান্দপুর জিলাদা দিপ্যুতি কম্মিসনার ধরুনকুমারনা রোড সেফতি মন্থকী শরুক অমা ওইনা তুইবোংগী এস.দি.ও ওফিসকী মিনি সেক্রেটরিয়েটতগী চাকা অনি পানবা গাড়িশিংগী রেল্লি অমা লমথাখ্রে। রেল্লি অসিদা তোঙান তোঙানবা রাইদরশিংনা শরুক য়াখি। থৌবাল জিলাগী ওইনসু নেসনেল রোড সেফতি মন্থকী থৌরম এৱারনেস প্রোগ্রাম অমগা লোয়ননা জিলা অসিগী লিলোং কৈথেলদা দিপ্যুতি কম্মিসনার অহন্থেম শুবাসনা হৌদোকখ্রে। থৌরম অদু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবাল অমসুং নেসনেল হাইৱে ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভলপমেন্ট কো-ওপরেসন লিমিতেদনা পুন্না শিনবনি।

এরেষ্ট (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনা ঙসি অয়ুক বিষ্ণুপুর জিলাগী লৈমারাম উয়োক চীং অমসুং আইগেজাংগা লোন্নবা মফমশিং থি হুম্বগী থবক চথখ্রে।

ঐখোয়গী বিষ্ণুপুর পাউমীনা পুলিসকী পাউ পল্লদুনা হায়- বিষ্ণপুর পুলিস অমসুং ৩৩ শুবা অসাম রাইফলসকী অপুনবা কাংবুনা ঙসি অয়ুক পুং ৬ অদুৱাইদগী পুং ৮ ফাওবা থি হুম্বগী থবক অদু চথখিবনি। মদুদা মেগজিন য়াওবা এস.এল.আর অমা, ৫১ এম.এম মোর্তার ট্যুব লোঞ্চর অমা, স্নাইপ্পর রাইফল অমা, ৪০ এম.এম লেথোদ সেল অহুম, হেন্দ গ্রেনেদ মরি, স্মোক সেলশিং, ৱায়ারলেস সেট অনি, নোংমৈ মরুশিং অমদি অতৈ পোৎলম কয়ামরুম ফাগৎলে হায়রি। ফাগৎলবা পোৎলমশিং মখা তাবা থবক লৌখৎনবা নম্বোল পুলিস ষ্টেসনদা শিন্নখ্রে।

এআর (এল)ঃ  তেংনৌপল জিলাগী ভারত ম্যান্মার ঙমখৈ পরিংদা মীওইশিং চৎথোক চৎশিন তৌরে হায়বা অককবা পাউ অমা ফংবদগী অসাম রাইফলসনা লোকচাউ তুরেল খোঙবানদগী ভারতলোমদা চংশিল্লকবা হোৎনরম্বা মীওই অহুম ঙরাং ফারে হায়রি। ব্রাহং পাউহং তৌবদা মখোয় সোসিয়েলিষ্ট রিভোলুসনরি পার্তি ওফ কংলৈপাক্কী মীওইনি হায়বা খঙলে। ফারবা মীওইশিং মণিপুর পুলিসতা শিন্নখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, অসাম রাইফলসনা ঙসি কামজোং অমসুং চসাদকী সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিংগী মীওইশিংগা মীফম পাঙথোকখ্রে। উন্নবা অদুদা লমদম অদুদা শান্তি হঞ্জিল্লকবা অমদি নহাশিংবু লালহৌবশিংদা য়াওখিদনবগী মতাংদা ব্রাফম কয়া খন্নখি হায়রি।

বিজেপি (এল)ঃ    বি.জে.পিনা হায়রি- মণিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসি তোঙান তোঙানবা মরম কয়ামরুম পুনশিল্লগা থোক্লকখিবনি।

ইম্ফালগী নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা থম্বাল শঙলেনদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা দলগী ভাইস প্রসিদেন্ট সি.ঐচ. সিদানন্দনা হায়- সেদ্যুল ত্রাইবস দিমান্দ নত্রগা ব্রার ওন ড্রগস হায়বসি ইরাং অসি হৌরক্লিঙৈ মমাংদা চখ্রদুনা লাক্লবা থবকশিংনি। মহাকা হায়- সরকার অসিনা ব্রার ওন ড্রগসকী খোঙজং চংশিল্লকপদা ড্রগকী করবার তৌরিবা মীওই কয়ানা কাংলুপকী ইরাং শাগৎনবা হোৎনরক্তবা নত্তে। শ্রী সিদানন্দনা হায়- মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা অৱাই অখুম তৌনদুনা লৈবা হায়বসি মীয়ামা পামবা নত্তে। ইরাং অসিদা রাজনীতি তৌশিল্লকপা হায়বসিদা নুংঙাইতবা পোকই। মহাকা হায়- অমনা অমবু হুনদুনা ঙাংবগী মহুৎ সরকার অসিদা মখোয়গী ওইবা মোৎশিং পীরকপা, রাজ্য অসিবু মচেৎ থোকা কায়দনা মণিপুরগী স্বার্থ য়েংলগা থবক তৌবা য়ামমক তঙাইফদে।

সেনাপতি (এল)ঃ  লাক্লিবা ৭৬ শুবা গনতন্ত্র দিবস পালন, কেন্দ্রগী মাইনোরিতি এফ্যারস মন্ত্রি জোর্জ কুরিয়নগী সেনাপতি খোঙচৎ, মীয়ামগী নুমিৎ, পি.এম জন

মন কনফরেন্স অমসুং নেসনেল রোড সেফতি মন্থকা মরী লৈননা সেনাপতি জিলাগী দি.সি. কনফরেন্স হোলদা দিষ্ট্রিক্ট লেবেল ওফিসার মীফম ঙসি পাঙথোকখ্রে। জিলা অসিগী এদ্দিসনেল দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট রং দেবিদ কুংনা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা গনতন্ত্র দিবস পালনগা মরী লৈননা থা অসিগী ২০ দা জিলা শিনবা থুংবদা ক্লিনিনেস দ্রাইভ চথবা, থা অসিগী ২২ অমসুং ২৩ দা কেন্দ্রগী মন্ত্রি লাক্কদৌরিবা অসিগী য়েংলগা তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংনা পায়খৎলিবা প্রোজেক্টশিংগী রিপোর্ট শেমগৎপা, ইরাই নুমিৎতা পাঙথোক্কদৌরিবা মীয়ামগী নুমিৎকী মতাংদা শেম শানবগীদমক ব্রাফমশিং খন্নখি হায়রি।

টিবি (এল)ঃ নেসনেল টি.বি. ইলিমিনেসন প্রোগ্রামগী মখাদা নুমিৎ ১০০ চুপা চথরকপা কেম্পেনগী শরুক অমা ওইনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবা টি.বিনা নারবা মীওই ৪২ দা ন্যুত্রিসনেল সপ্পোর্ট ওইনা চান-থকবা চীঞ্জাকশিং য়েন্থোকখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবাল অমসুং নেসনেল টি.বি. ইলিমিনেসন প্রোগ্রাম থৌবাল য়ুনিতনা শিন্দুনা জিলা অসিগী দি.সি. ওফিসতা লৈবা কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার অহন্থেম শুবাসনা হায়- ঙসি য়েন্থোক্লিবা পোৎলমশিং অসি নিকসৈ মিত্র পোসান য়োজনাগী মখাদা পীবনি। মহাকা হায়- টি.বিনা নারবা মীওইশিং অসি হিদাক পীজরিঙৈ মনুংদা মচি ওইবা চীঞ্জাক চাবগী তঙাইফদবা লৈ। মহাকা হায়- থৌবাল জিলাগী জিলা পরিষদ অমসুং গ্রাম পঞ্চায়টশিংগী চেয়ারপার্সন অমসুং মেম্বরশিংনা নিকসৈ মিত্র ওইদুনা মতেং পাংবীরকপগীদমক থাগৎপা ফোংদোক্লি।

হেন্দলুম (এল)ঃ নেসনেল হেন্দলুম দিভলপমেন্ট প্রোগ্রামগী মখাদা মেগা হেন্দলুম ক্লষ্টরগী সো রুম অমা ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী দিষ্ট্রিক্ট হেন্দলুম এন্দ টেক্সতাইল ওফিসতা হাংদোকখ্রে। দাইরেক্তোরেট ওফ হেন্দলুমস এন্দ টেক্সতাইলনা শিনবা থৌরম অদুদা টেক্সতাইল কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিগী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি অরুন কুমার সিনহা, হেন্দলুম এন্দ টেক্সতাইলগী দাইরেক্তর

কে. লমলি কামৈ, মণিপুর হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফট দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসন লিমিতেদকী মেনেজিং দিরেক্তর ই. জিতেন্নচিংবা শরুক য়াখি।

ককচিং (এল)ঃ   সহিত্যা সেবা সমিতি ককচিংগী ৫৮ শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি ককচিং ফৌশুপাৎ লৈকাইদা লৈবা লাইব্রেরি এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্তরগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা সমিতি অসিনা পীবা তোঙান তোঙানবা খোরিরোলগী মনাশিংসু য়েন্থোকখি অমসুং চুমথাংগী ৬৭ শুবা চেফোংসু ফোংখি। মনাশিং অসিদা শেল, সাইতেসন অমসুং সোল য়াওরি।

পিএম ঃ  প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- ভারত অসি পাক চাউবা লৈবাক অমা ওইবতা নত্তনা পাক চাউরবা কলা সংস্কৃতি লৈবা লমদম অমনি। মহাকা হায়- কনাগুম্বা মীওই অমনা ভারতকী মরমদা মুন্না খঙগে হায়রবদি মসিগী লাইনিং লাইশোল হান্না খঙবা তঙাইফদে।  মহারাষ্ট্রগী নবি মুম্বাইদা লৈবা খর ঘরদা ইস্কোন প্রোজেক্টকী মখাদা শাবা শ্রীশ্রী রাধা মন্দনমোহনজি মন্দির শঙ্গাবগী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- লৈবাক অসিগী লাইনিং লাইশোলদা য়েংলগা সরকার অসিনা তোঙান তোঙানবা মীয়ামগী য়াইফ থৌরাং স্কিমশিং পায়খৎলি। ঙসি শঙ্গারিবা ইস্কোন প্রোজেক্ট অসি লম একর ৯ লোম চাউবা মফম অমদা শেমগৎপনি। মসিদা মন্দির অমা, বেদিক ইদুকেসন সেন্তর, ম্যুজিয়ম, ওদিতোরিয়ম, লায়েংফমচিংবা য়াওরি।

সেনাপতি (এল)ঃ  মশাগী হৌরকফম খঙউ হায়বা হিরমদা ফোসেনা য়ুনিয়নগী সিলভর জ্বিলি থৌরম পুদুনামৈদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা খুল অসিগী ৱাংমদা ময়ুম পানখ্রবা নুপী ৩০০ লোমদা খুদোলপোৎ পীদুনা ইকায় খুমবা উৎখি। সিলভর জ্বিলি থৌরম অসিদা কোহিমা য়ুনিত, দিমাপুর য়ুনিত, ইম্ফাল য়ুনিত, গুৱাহাতি অমসুং শিল্লোংদগী লাকপা মীওই লিশিং ২ হেনবনা শরুক য়াখি।
জেলিয়াংরোং (এল)ঃ জেলিয়াংরোং য়ুনিয়ন লিংখৎখিবগী চহি ১০০ শুবা কুমওন থৌরম ঙসি হম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী থঙ্গাল বজারদা লৈবা এম.জি. এভিন্যুদা

পাঙথোকখ্রে। লুপ অসি ইং ১৯২৫ দা হান্না অগাংমৈ খঙনরম্মী।

মী (এল)ঃ  ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী তাকয়েল কোলোম লৈকাই, তাকয়েল মপালদা লৈবা হাওবিজম ওংবী ইবেচাউবী এলাইজ চাইবী লৈমা চহি ৬৭ ঙসি রিমস হোস্পিতাল লমফেলদা মপুরোইবগী হকচাংগী চ্যেকঅপ চৎখিবদগী থিবা খঙখিদ্রে। লমফেল পুলিসকী ও.সিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- ইমুং মনুংনা মহাকপু থিবা য়াবা থিরে, অদুমকপু ফংবা ঙমদ্রে। হায়রিবা মীওই অসি ফুট ৫ ইঞ্চি ২ ৱাংই, মমায় কোইদানৈ, কুলৈ কুচুনি, ফনেক অঙাংবা অমা, শামতু ফি অঙাংবা অমা ইনখি হায়রি। কনাগুম্বা নুপী অসি থেংনরবদি পুলিসতা শিন্নবীনবা চেরোল অদুনা হায়রি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ক্রিকেট(এল)ঃ  ২১ শুবা মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি লংথাবাল পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা বি.এস.সি ব্রহ্মপুর শঙ্গাই চুথেকা এল.সি.সি লমশাংবু রন ৬০ দা থোইখি।

ফুটবোল (এল)ঃ  ৫৭ শুবা ৱেষ্টর্ন ভেল্লি এরিয়া এন্যুএল স্পোর্টস মিট ২০২৫ গী ঙসি খম্বথেল প্লে গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা থুং-চেংনা বেরু উনোপাৎ টিম-এবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখি।

ফুটবোল(এল)ঃ  হাওরৈবী ইম্ফাল ৱেষ্টতা হাওরৈবী নোর্দন স্তার ক্লব অমদি হাওরৈবী অপুনবা এফ.সিনা শিনবা ৫ শুবা চন্দ্রনদি ট্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা সনা এফ.সি থৌবাল অমসুং ওল ষ্টার ক্যামগৈ পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখি। অতোপ্পা মেটচ অমদা ঙান্থোই এফ.সি করাম অমসুং মৈজ্রাও এফ.সি পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখি।

------